# অনীশুবা লাঞ্জাওগা মরী লৈননা পোলেন্দনা জমর্নিদগী লানগী কম্পেন্সেসন ওইনা দোল্লর ট্রিলিয়ন অমা দিমান্দ তৌরগনি

ৱারসো, সেপ্টেম্বর ২ (এজেন্সী):
মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাওগী মনুংদা নাজিশিংনা মাঙহন তাকহনখিবশিং অদুগীদমক্তা পোলেন্দনা কম্পেন্সেসন ওইনা জমর্নিদগী জলোটি ট্রিলিয়ন ৬.২ (দোল্লর ট্রিলিয়ন ১.৩১) দিমান্দ তৌরগনি হায়না লৈবাক অসিগী রুল্লিং পার্টিগী চীফনা ফোঙদোকখ্রে।



লো এন্দ জষ্টিসকী পার্টিগী লুচিংবা জরোস্লো কাজিন্সকিনা ৱাফম অসি জমর্নিনা লান্দাখিবা মতমদা পোলেন্দদা মাঙ তাকখিবশিং অদুগী একাউন্ট অমা পুথোকপগী থৌরমদা ফোঙদোকখিবনি।

কাজিন্সকিনা হায়খি, মদুদি প্রিপরেসনগী প্রোসেস অদু খরা শাংগদবা অমদি কমপ্লেক্স ওইগদবা ওইরবসু মরু ওইরিবা ৱাফমদি কুমজা ১৯৩৯ দগী ১৯৪৫ গী মতমদা জমর্নি নক্তগা জর্মন নেসন্না পোলেন্দদা চথখিবা মাঙহন তাকহনখিবগী থবকশিং অদুগী লৌফম থোকপা কম্পেন্সেসন লৌবা অসিনি।

মখা তারদুনা রুল্লিং পার্টিগী চীফ অসিনা হায়খি, মদুদি মালেমগী লৈবাক কয়ানা অনীশুবা লাঞ্জাওগা মরী লৈননা জমর্নিদগী কম্পেন্সেসন তানখি। অদুম ওইনমক পোলেন্দনা অসুম্না মমাঙদা জমর্নিদগী কম্পেন্সেসন তানখিদবা অসি মরু ওইনা ইনিসিএটিব য়াওদবদগীনি। পোলিস লুচিংবা অসিনা করিগুম্বা ষ্টেট অমনা অতোপ্পা ষ্টেট অমদা নক্তগা অতোপ্পা ষ্টেটশিংদা অমাঙ অতা নঙহনবা তারবদি ষ্টেট অদুনা কম্পেন্সেসন পীফম থোকই হায়বা ইন্টরনেসনেল রিলেসনদা শীজিন্নবা জেনরেল প্রিন্সিপল কিজিন্সকিনা পনখি।

প্রিন্সিপল অসি পোলেন্দনা শীজিন্নরোইদবনি হায়বা অথিংবা পীবা ৱাফম অমত্তা লৈতে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাও মনুংদা জি য়ু মিলিয়ন অহুম য়াওনা পোল মিলিয়ন তরুক্লোম হাৎখিবনি। কুমজা ১৯৪৪ দা পোলশিংনা ইনভেদরশিংগী মায়োক্তা লালহৌ অমা পাঙথোকখিবা মতুংদা জর্মন ফোর্সশিংনা শাথিবা মওংদা কেপিটেল ৱারসোবু তুম্না থুগায়খি অমসুং মদুদা মীচম ২০০,০০০ শিখি।

নাজি জমর্নিনা তাবদা হঙ্গোইনিংঙাই ওইরবা ওসৱিস কন্সেন্ট্রেসন কেম্প ওক্যুপাইদ পোলেন্দদা লিংখি অমসুং মদুদা জিয়ু ৯৬০,০০০ ইথনিক পোল ৭৪,০০০ অমসুং রোমা ২১,০০০ গা লোয়ননা সোভিএট প্রিজনর ওফ ৱার ১৫,০০০ অমসুং য়ুরোপিয়ন ১৫,০০০ হেন্না হাৎখি।

# য়ুএস কেপিটোল রাইওটতা চেন্নবা হান্নগী পুলিস ওফিসল অমা চহী ১০ জেলদা লৈবগী চৈরাক পীখ্রে

ন্যু য়োর্ক, সেপ্টেম্বর ২ (এজেন্সী):
কুমজা ২০২১ গী জনুৱারী ৬ তা কেপিটোলদা থোকখিবা রাইওট মনুংদা লো এনফোর্সমেন্ট ওফিসলশিংদা এসোল্ট তৌখিবা হান্নগী পুলিস ওফিসার অমা রেকোর্দ ওইবা মওংদা ন্যু য়োর্ককী ফেদরেল জুরি অমনা চহী তরা জেলদা লৈবগী চৈরাক পীখ্রে হায়না মেদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি।




রিপোর্টশিংনা হায়রি, মদুদি পুলিস ওফিসলশিংদা এসোল্ট তৌবা, লাক্ল ফানবদা ৱাবা থৌওং কয়া চথখিবা য়াওবা মখল মখা কয়াগী চার্জশিংদা জুরি অদুনা মশাগী চহী ৫৬ শুরবা হৌখিবা মেদা কনভিক্ট তৌখ্রবা থোমাস ৱেবষ্টরবু জেলগী চৈরাক অদুবু পীখি।

হৌজিক ফাওবদা এটেক অদুদা চেন্নবনি হায়বা মীওই ৮০০,৬০ হেন্না শীবা লৈখ্রবসু রাইওট অদুদা চেন্নবগীদমক্তা মীওই অমবু মতম শাংনা জেলদা লৈবগী চৈরাক পীবা অসিমসিনা অহানবনি। মদুগী মমাঙদা ৱেবষ্টরনা মশা ঙাকথোকচনবা মহাক্না ওফিসার অমদা মেটাল ফ্লেগপোল লংশিনখিবনি অমসুং অতোপ্পা অমবুনা লৈমায়দা নমথদুনা থমখিবনি হায়বা মহাক্কী আর্গুমেন্ট ফেদরেল জুরি অসিনা রিজেক্ট তৌখ্রবনি।

চৈরাক অদু লাউথোক্লিঙৈগী দোক্যুমেন্ট খরদা মেরিন কোরগী বেটেরিন অদুনা হান্নগী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা কুমজা ২০২০ গী ইলেক্সন অদু হুরান লান্নাগী থৌওংশিং চথদুনা মীয়ামদা অশেংবা রিজল্ট উৎখিদবনি হায়বা হান্নগী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকী ক্লেমশিং অরানবনি হায়না ফোঙদোকখি।

অদুম ওইনমক কোর্টনা ৱেবষ্টরগী জেল টর্ম অদুগী অরোইবা থা তরুক্কী মতম সস্পেন্দ তৌবগী ৱাফম য়াখি। মদু মহাক পুলিস ওফিসার অমা ওইনা অমসুং লান্মী অমা ওইনা সার্ভিসতা চহী ২৫ লৈরকখিবা অদুবু খন্নদুননি। জষ্টিস দিপার্টমেন্টকী মতুং ইন্না কেপিটোলদা থোকখিবা রাইওটশিং অদুগী মতাংদা থিজিন হুমজিনবা অসি হৌজিক ফাওবদা দিপার্টমেন্ট অসিনা চথরকখিবা ইনভেষ্টিগেসনশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী হেন্না চাওবা অমসুং কমপ্লেক্স ওইবশিংগী মনুংদা অমনি।

হৌজিক ফাওবদা দিপার্টমেন্ট অসিনা সাপিনা ৫০০০ হেন্না ইস্যু তৌখ্রে, ইলেক্ট্রোনিক দিভাইস ২০০০ রোম ফাজিনবগা লোয়নননা পুং ২০,০০০ হেনবগী ভিদিও ফুটেজ রিভিয়ু তৌখ্রে। লোয়নননা হৌজিক ফাওবদা মীওই ১৬০ হেনবনা কোর্টতা নখোয় মরাল লৈ হায়না ফোঙদোকচখ্রে। ভাইওলেন্স অদুদা য়ামদ্রবদা মীওই মাপন শিখিবনি।

কুমজা ২০২০ গী য়ুএসকী প্রসিদেন্সিএল মীখলদা মতমদুগী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা মায়থীখ্রবা মতুং কুমজা ২০২১ গী জনুৱারী ৬ তা মহাক্কী সপোর্টর কাঙবু অমনা ৱাশিংতন দিসিদা লৈবা কেপিটোল বিল্ডিংদা এটেক তৌখি।

মখোয়গী পান্দমদি প্রসিদেন্ট খল্লবা জো বাইদেননা মীখলদা মায় পাক্লিবদু ফোর্মেলাইজ তৌনবা কংগ্রেসকী জোইন্ট সেসন অমনা ইলেক্টরেল কলেজকী ভোট মশিং থীবা থিংদুনা ট্রম্পপু মখা তানা পৱার পায়হনবা অসিনি। থৌদোক অদুবু ইনভেষ্টিগেসন তৌরিবা হাওস সেলেক্ট কন্মিটিগী মতুং ইন্না এটেক অদু ট্রম্পনা ইলেক্সনগী রিজল্টশিং চৎনহন্দনবা পুথোকখিবা পোইন্ট তরেৎকী প্লান্ট অমগী শরুক্নি।

## ওষ্ট্রেলিয়ানা মাইগ্রেন্ট মশিং হেন্না লৌশিল্লগনি

কানবেরা, সেপ্টেম্বর ২ (এজেন্সী):
ওষ্ট্রেলিয়াদা হৌজিক স্কিল অমসুং লেবর ফঙদবগী ক্রাইসিস অমা লৈরিবসি কোকহন্নবা লৌখৎলকপা খোঙথাংদা লৈবাক অসিনা চহী খুদিংগী লৌশিল্লিবা মাইগ্রেন্ট মশিং হেনগৎহন্নবা গভর্ণমেন্টনা ৱারেপ লৌখ্রে।

মিনিষ্টর ফোর হোম এফিয়র্স ক্লেয়র ওনিলনা ইরাই নুমিত্তা হায়খি, মদুদি শেনবা চহী অসিগী ওইনা পার্মেনেন্ট স্কিল মাইগ্রেসনগী চাং ১,৬০,০০০ দা লেপ্পলম্বদগী অনৌবা লেবর গভর্ণমেন্ট অসিনা মশিং অসি ১,৯৫,০০০ দা হেনগৎহন্নবা ৱারেপ লৌরে।

গভর্ণমেন্টগী জোবস এন্দ স্কিলস সম্মিটতা ৱা ঙাঙলদুনা ও নিলনা হায়খি, মদুদি লেবরগী অৱাৎপা লৈরিবদু কোকহন্ননবগীদমক্তা মীপুম খুদিংমক্না মাইগ্রেসন হেনগৎহনবগী ৱাফম অসি য়ারে। লেবরনা পায়খৎকদবা খ্বাইদগী মরু ওইবশিংগী মনুংদা অমদি মাইগ্রেন্টশিংবু লৈবাক অসিদা মতম খরগী ওইনা লৈহনবগী অয়াবা পীরল্লিবা অসিদগী মখোয়বু তুং কোইনা লৈবাক অসিদা লৈহনবা, লৈবাক অসিগী সিটিজন পীবা অমসুং লৈবাক অসিবু শেমগৎ শাগৎপদা শরুক য়াহনবা অসিদা ওইনা মীৎয়েং চঙবা অসিনি। চহী অসিগী ওইনা রিজনেল এরিয়াশিংনা অনৌবা মাইগ্রেন্ট ৩৪,০০০ ৱেলকম তৌদুনা মমাঙগী চহীদা য়াহল্লম্বা মশিং অদুদগী ৯০০০ হেনগৎলগনি। হেল্থ ক্যের ৱার্করশিং, টেক্স সেক্তর ৱার্করশিং অমসুং স্কিল ৱার্করশিংদসু এক্সট্রা মফমশিং পীগনি।

মখোয়না লৈবাক অসিগী মরু ওইবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎপদা মরু ওইবা থৌদাং লৌরক্কনি হায়না গভর্ণমেন্টনা থাজে। ওষ্ট্রেলিয়ন গভর্ণমেন্টনা পেন্দিং লৈরিবা ভিজা এপ্লিকেসনশিং প্রোসেস তৌবদা মতেং ওইনবা ইরাই নুমিত্তা ওষ্ট্রেলিয়ন দোল্লর ৩৬ কী শেনফম অমা ফন্দিং ওইনা লাউথোকখি।

## হান্নগী প্রসিদেন্ট গোটাবয়া রাজাপক্সা ঙসি শ্রী লঙ্কাদা হল্লক্লগনি

কলম্বো, সেপ্টেম্বর ২ (এজেন্সী):
এন্টি গভর্ণমেন্ট প্রোটেষ্ট মরক্তা শ্রী লঙ্কা থাদোক্তুনা চেনখিবা লৈবাক অসিগী হান্নগী প্রসিদেন্ট গোটাবয়া রাজাপক্সা থাংজ নুমিত্তা ক্রাইসিস থোক্লবা লৈবাক অসিদা অমুক হল্লক্লগনি। মহাক এন্টি-গভর্ণমেন্ট প্রোটেষ্টরশিংনা জুলাই ১৩ দা মহাক্কী ওফিসল রেসিদেন্সতা থোমজিনখিবা মতুংদা চেনখিবনি।

লৈবাক অদুনা মায়োক্লরক্লিবা খ্বাইদগী শাথিবা শেল থুমগী ক্রাইসিসকা মরী লৈননা মীয়াম্না লম্বীশিংদা থা কয়া চুপ্পা প্রোটেষ্ট চথরকপদগী রাজাপক্সানা মহাক্কী টার্ম লোইগদবা চহী অনীমখায় ৱাৎলিঙৈদা মফম থাদোক্লে হায়না লাউথোকখিবনি।

ঈথৎ লৈবাক অসিনা বৃটিসতগী নিংতম্বা ফঙখিবা মতুংদা মায়োক্ল রক্লিবা খ্বাইদগী শাথিরবা শেল থুমগী ক্রাইসিস অদুদা চিঙ্গাক্কী পোৎলমশিং, ফ্যুএল, হিদাক লাংথক অমসুং কুক্কিং গ্যাসকুম্বা তঙাই ফদবা পোৎলমশিং ফঙলকখিদবনি।

হান্নগী প্রসিদেন্ট অসি কুমজা ২০১৯ গী নবেম্বরদা পাঙথোকখিবা ঈথৎ লৈবাক অসিগী মীখলদা সিনহালা বৃটিস মেজোরিটিগী ভোট মশিং য়াম্না ফঙদুনা লৈঙাক্কী পৱার পায়রকখিবনি। মালদিবিয়ন প্রসিদেন্ট মোহম্মদ নাসিদনা শ্রী লঙ্কাগী ক্রাইসিস অদুদা মীৎয়েং চঙলকখিবগা লোয়নননা মহাক্কী মতেংনা রাজাপক্সানা অহানবদা মালদিবসতা তুমিন্না চেনবা ঙমখি অমসুং মদুগী মতুংদা মহাক সিঙ্গাপোরদা চৎখি।

মতুং তাবদা শ্রী লঙ্কান গভর্ণমেন্টগী ইন্টরভেন্সনগা লোয়নননা দিপ্লোমেটিক পাসপোর্ট পায়রিবা রাজাপক্সা থাইলেন্দদা পাইখি। লৈবাক অদুদা মহাক নুমিৎ ৯০ নি লৈবা য়াহনখি। রাজাপক্সানা অহানবদা মহাক্কী মচানুপাসু লৈরিবা য়ুএসতা চেন্নবা হোৎনখি। তৌইগুম্বসুং ৱাশিংতন্না ভিজা পীয়ু য়াদবদগী মহাক্কী থৌরাং অদু ফেল ওইখি।

## চাইনিজ সিটি চেংদুগী মীওই মিলিয়ন ২১ হেনবনা কোভিদকী লোকদাউন মায়োক্লরি

বৈজিং, সেপ্টেম্বর ২ (এজেন্সী):
চাইনিজ সিটি চেংদুদা অনৌবা কোভিদ কেস খরা থেংনবদগী ওথোরিটিশিংনা মীওই মিলিয়ন ২১ হেন্না লৈবা সিটি অসিদা কোভিদকী লোকদাউন থমখ্রে হায়না লোকেল মেদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি।

রিপোর্ট খরগী মতুং ইন্না সাউর্দন সিচুৱান প্রোভিন্সকী কেপিটেল সিটি ওইরিবা চেংদুদা ইনৌ নৌনা কোভিদ ১৯ গী কেস ১৫৭ থেংনখি। কেসশিং অদুগী মনুংদা ৫১ দি লাইওং উৎতবশিংনি। শগোলশেল নুমিৎতগী লোকদাউন চৎনহনখিবগা লোয়নননা সিটি অদুগী মীয়ামদা য়ুমদগী হেন্দোক্তনা লৈনবা অমদি তঙাই ফদবা আইটেমশিং লৈনবগীদমক ইমুং অমগী মীওই অমত্তমক মপানদা থোক্তুনা সোপ্পিং তৌবগী অয়াবা পীখি।

হেল্থ ওফিসলশিংনা হৌজিক লৈরিবা ফিভম অদু তরাইনা লৌবা য়াদে হায়না ফোঙদোকপগা লোয়নননা নৌনা থেংনরিবা লাইচৎ অদু মী য়াম্না পুনবা হৌবদগীনি হায়না ফোঙদোকপগা লোয়নননা ওথোরিটিশিংনা সিটি অদুবু থাদোক্তুনা চৎপা অমদি সিটি অসিদা চঙবদসু অথিংবা থমখ্রে।

মথংগী নুমিৎ খরনি অসিদা পাক্তক্লনা টেষ্ট চথবা হৌরগনি। তৌইগুম্বসুং লোকদাউন অদু করম্বা মতমদা লোইগদগে হায়বগী মতাংদদি ওথোরিটিশিংদগী পাউ লৌবা ঙমখিদে।

সিটি অদুদা ইনৌ নৌনা কোভিদ লোকদাউন থল্লিবসি চাইনাগী জিরো কোভিদ পোলিসিগী মতুং ইন্ননি। কোভিদকী কেস অমা নক্তগা অনীখক্তং ওইরবসু থেংনরবদি সিটিশিংনা অকনবা লোকদাউন থমগদবনি। হৌখিবা মার্চ থাদা চাইনানা সাংহাই সিটিদা থা অনী চুপ্পা চথখিবা খ্বাইদগী চাওবা লোকদাউন থমখি।

চাইনিজ ওথোরিটিশিংগী লোকদাউন অদুদা ক্বারেন্টিন সেন্টরশিংদা চান থক্লবা পোৎলমশিং ৱাৎপা অমদি লৈবদা খুদোংচাদবা ফিভম কয়াগী মতাংদা রিপোর্ট কয়া ফোঙনখিবনি।

কুমজা ২০১৯ দা ভাইরস অসিবু ইহান হান্না থেংনখিবা চাইনাগী ৱুহান সিটি শুপ্পগী পোজিটিব কেস মরি থেংনবদগী জুলাই থাদা লোকদাউন থমখিবনি। সাউথ চাইনাগী সেনজেং অমদি নোর্থ ইষ্ট চাইনাগী দালিয়ন য়াওনা চাইনাগী অতৈ লমদমশিংদসু কোভিদ লাইচৎকা মরী লৈননা অহেনবা অথিংবা কয়া থম্নরিবনি।

কোভিদ পেন্দামিক অসি চাইনাদগী হৌখিবা ওইরবসু লৈবাক অসিদা হৌজিক ফাওবদা লায়না অসিনা শিহল্লিবসি মীওই ৫২২৬ তনি। মসি লাইচৎ অসিনা খ্বাইদগী শাথিবা হেল্থ প্রোব্লেমশিং থোকহল্লিবা ইন্দিয়া, ব্রাজিল, য়ুএস কুম্বা লৈবাকশিংদগী য়াম্না হেন্না হন্থরিবনি।

## গিব্রাল্টরগা নক্লনা ভেসেল অনী থেঙ্গাইনখ্রে ফ্যুএল লিক ওইরকপা য়াবগী অকিবা লৈরে

মাদ্রিদ, সেপ্টেম্বর ২ (এজেন্সী):
ভেসেল অনী থেঙ্গাইনবদগী পোর্ট ওফ গিব্রাল্টরদা ফ্যুএল লিক ওইদুনা ইনভাইরনমেন্টদা কাটাষ্ট্রোফি অমা থোক্লক্কদবদগী থিংননবগীদমক ইমর্জেন্সি সার্ভিসশিংনা লেপ্তুনা হোৎনরি হায়না পোর্ট অসিগী ওথোরিটিনা ফোঙদোরক্লি।

এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, বল্ক কেরিয়র ওএস ৩৫ অদু অতোপ্পা ভেসেল অমগা থেঙ্গাইনবদগী বে ওফ গিব্রাল্টরদা ফ্যুএল লিক ওইরকপা য়াবগী ওইথোকপা ফিভম লৈ। বৃটিস ক্রাউন কোলোনি অদুগী গিব্রাল্টর পোর্ট ওথোরিটিনা য়ুমশকৈশগী নুংথিলদা ফোঙদোরকখিবদা পেসিফিক আইলেন্দ ষ্টেট টুবারুদা রেজিষ্টর তৌবা ওএস ৩৫ কী হল্ট অদু থেঙ্গাইনবা অদুদা অমাঙ অতা থোক্লবসু ভেসেল অদু শরুক অনী থোক্না কায়বদি নত্তে। অতোপ্পা ভেসেল আদম এল এন জি অসিনা মার্সিএল আইলেন্দদা রেজিষ্টর তৌবনি। থেঙ্গাইনবা অদুদা ভেসেল অসিদা মাইনর দেমেজ তমক থোকখি। ভেসেল অদুগী টেঙ্কশিংদগী লিক ওইরকপা থাওশিং ব্লোক তৌনবগীদমক্তা বল্ক ভেহিকল অদুগী মথক্তা বুমশিং থমখি।

চৈরকসিদা ভেসেল অদুদা অমাঙ অতা থোক্লিবশিং অদুবু য়েংশিল্লিবা ক্রু মেম্বর ২৪ গা লোয়নননা এক্সপর্ট তরুক শাফগদবা মফমদা পুথোকখ্রে হায়না শগোলশেল নুমিত্তা পোর্ট ওথোরিটিনা লাউথোকখি। পোর্ট ওথোরিটিনা হায়খি, মদুদি কোলিজন অদুদা ভেসেল অদুগী বোদা য়াওবা ক্রেন অমদগী লুব্রিকেন্ট খরা লিক ওইখি। তৌইগুম্বসুং মদু মেইন বুম অদুনা ফাজিনখি। মদুগী মতুংদা অহেনবা বুমশিং শীজিন্নবগা লোয়নননা ফ্যুএল ওইল টন ৪০০ বরশিংদা ট্রান্সফর তৌননবগী থৌরাংশিং য়াৎপা লোইরে। থৌরাংশিং অসিগী মথক্তা পোর্ট ওফ গিব্রাল্টরদা চথরিবা অতৈ এক্তিভিটি পুম্নমকসু লেপহনখ্রে। মসি ওপরেসন অদুগী অরুবা ফিভমনি। স্পেনিস মেরিটাইম রেস্ক্যু টিমশিংনসু ওপরেসন অদুদা মতেং পাঙলি।

# আই এ ই এ মিশন য়ুক্রেনগী জাপোরিজিয়া ন্যুক্লিয়র পৱার প্লান্টতা থুংখ্রে

কিভ, সেপ্টেম্বর ২ (এজেন্সী):
ইন্টরনেসনেল এটোমিক ইনর্জি এজেন্সি (আই এ ই এ) টিম অমা য়ুক্রেনগী খা থংবা শরুক্তা লৈবা জাপোরিজিয়া ন্যুক্লিয়র পৱার প্লান্ট (এন পি পি) দা থুংখ্রে হায়না লৈবাক অসিগী ষ্টেটনা চল্লাইবা ন্যুক্লিয়র ইনর্জি ওপরেটর ইন্নর গোতোম্না ফোঙদোরক্লি।

আই এ ই এ মিশন জাপোরিজিয়া এন পি পিদা থুংলরে হায়বসি ইন্নর গোতোম্না শগোলশেল নুমিত্তা টেলিগ্রামদা কনফার্ম তৌখি। য়ুরোপকী খ্বাইদগী চাওবা ন্যুক্লিয়র পৱার প্লান্টশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা জাপোরিজিয়া এন পি পি অসি হৌখিবা মার্চকী অঙনবা শরুক্তগী রসিয়ন ফোর্সশিংনা কন্ট্রোল তৌরল্লবসু য়ুক্রেনিয়ন ষ্টাফনা মদুবু লেপ্তুনা ওপরেট তৌরক্লিবনি।

হৌখিবা চয়োল খরা অসিদা পৱার প্লান্ট লৈরিবা মফম অদু সেল এটেক কয়া তোইনা চথখিবদগী প্লান্ট অদুগী সেফতিগী মতাংদা মালেম্না নুংনাংবা ফোঙদোক্লরকখিবনি।

দেলিগেসন অদুবু লুচিংলিবা আই এ ই এগী দিরেক্তর জেনরেল রাফেল মারিয়ানো গ্রোসিনা লোকেল পাউমীশিংদা হায়খি, মদুদি সাইদ অদুদা আই এ ই এগী ইন্সপেক্তর খরা লৈগনি অমসুং মখোয়না প্লান্ট অদুগী সেক্যুরিটি অমসুং সেফতিগী ফিভম খুদক্তা য়েংশিনবা হৌরগনি।

মমাঙগী রিপোর্টতা আই এ ই এগী মিশন অদুনা প্লান্ট অদুগী ফিজিকেল দেমেজ লেপথোক্লবা হোৎনবগা লোয়নননা প্লান্ট অদুগী সেফতি অমসুং সেক্যুরিটি সিষ্টেমশিং মথৌ তৌরিব্রা নক্তগা তৌদব্রা হায়বদুসু খঙদোক্কনি লোয়নননা ষ্টাফকী কন্দিসনশিংসু য়েংশিনগনি অমদি সেফ গার্দিং এক্তিভিটিশিং পাঙথোক্কনি হায়না পনখ্রবনি।

# পাকিষ্টানগী শরুক অহুম থোকপগী অমা ঈশিং থুন্নে হায়বসি সেটলাইট ইমেজশিংনা উৎখ্রে

লন্দন, সেপ্টেম্বর ২ (এজেন্সী):
পাকিষ্টানগী শরুক অহুম থোকপগী অমা হৌজিক ঈশিং থুন্নে হায়বসি অনৌবা সেটলাইট ইমেজশিংনা কনফার্ম তৌখিবগা লোয়নননা এইদ ৱার্করশিংনা লৈবাক অদুগী ঈশিং ঈচাওনা থোকহল্লিবা অমাঙ অতা কয়া অদু মায়োক্লবদা মতেং ওইননবা দোনেসন পীরক্লবা মালেম পুম্বদা আপিল তৌখ্রে।



পাকিষ্টানগী ঈশিং ঈচাওনা অৱাবা নঙহল্লবা মীওই মিলিয়ন ৩৩ গীদমক ফন্দ পীরক্লবা য়ুকেগী দিজাষ্টর ইমর্জেন্সি কন্মিটি (টি ই সি) না আপিল অমা লোপ্ত তৌখিবগা লোয়নননা য়ুরোপিয়ন স্পেস এজেন্সি (ই এস এ) না মসিগী কোপর্নিকস সেটলাইটনা লৌবা দেটাদা য়ুম্ফম ওইবা মীপায়নিংঙাই ওইরবা ইমেজশিং রিলিজ তৌখ্রে।

ইমেজশিং অদুনা লৈবাক অসিগী শরুক অহুম থোকপগী অমা হেন্না হায়বদি য়ুকেমুক্কী সাইজ ওইগদবা মফমশিং কুমগী অকনবা নোংনা মরম ওইদুনা ঈশিং থুমজিনখ্রে হায়বা পাকিষ্টানি গভর্ণমেন্টগী এসেসমেন্টনা কনফার্ম তৌখি। হন্দক্কী নোংজু অদু মহৌশাগী কুমগী নোংজুদগী শরুক তরা হেন্না কন্না চুখি হায়না মেদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোকখি। ইন্দস ভেল্লিগী ঈমায় পাথোকপগা লোয়নননা কিলোমিটর কয়ামরুম পাকপা অমদি কিলোমিটর কয়ামরুম শাংবা পাৎ অমা শেমখি হায়না ই এস এনা ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোকখি।

হৌজিক ফাওবদা পাকিষ্টানগী শাথিরবা ঈশিং ঈচাও অদুদা অঙাং ৩৯৯ য়াওনা মীওই ১১০০ হেনবগী পুন্সি লোমখ্রে, য়ুম বিল্ডিং কয়া মাঙহন তাকহনখ্রে অমদি মহৈ মরোংশিং মাঙহন তাকহনখিবগা লোয়নননা য়ুম অমদি ফার্মদা লোইনরিবা শা-ষণ মশিং থিঙমদনা শিহনখ্রে, লম্বী অমদি থোংশিংনচিংবা মরু ওইবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরদসু অমাঙ অতা চাওনা থোকহনখ্রে। শগোলশেল নুমিত্তা য়ুকেগী মরু ওইবা এইদ চেরিটি ১৫ গী অম্ব্রেলা ওর্গনাইজেসন দিঈসিগী চীফ একজিক্যুটিব সালে সাহিদনা বৃটিস মীয়ামদা ঈচাও অদুগী মতেং পাঙবীনবা হায়জখি।

## চিল্লিদা ঈকং শাংনা থোক্লবসু রেস্নিংগী খুত্থাংদা ঈশিং য়েনখিরোই

সেন্টিয়াগো, সেপ্টেম্বর ২ (এজেন্সী):
চিল্লিদা চহী ১৪ রোম লিশাং শিৎনা ঈকংগী ফিভম মায়োক্লরক্লবসু লৈবাক অসিনা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি মীয়ামদা রেস্নিং তৌদুনা ঈশিং ফঙহনবগী থৌওং চথরোই হায়না মিনিষ্টর ওফ পব্লিক ৱার্কর্স জুৱান কাগোর্স গার্সিয়ানা ফোঙদোকখ্রে।

শাবগী চাং, নোং চুবগী ফিভম, তুরেলগী ঈচেলগী মওং অমদি হৌজিক ফঙলিবা উনগী চাং য়াওনা ফেক্তর কয়াগী ইনফোর্মেসন পুম্নমক এনালাইসিস তৌরবা মতুংদা ঐখোয়না কুমজা ২০২২ গী স্প্রিং অমদি ২০২২ গী সন্মরদা রেস্নিং তৌদুনা মীয়ামদা ঈশিং ফঙহনবগী ৱাফম খন্নদনবগী ৱারেপ লৌরে।

কুমজা ২০২১ গা চাংদম্নবদা চহী অসিদা নোং অমসুং উন লোইনা তারবসু ঐখোয়না চেকশিন্দবগী ফিভম লৈহনবদি য়াদে হায়না মিনিষ্টর অসিনা এজেন্সিদা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, মদুদি হৌখিবা মার্চতগী ঐখোয়গী লৈবাক অসিদা থোক্লক্লিবশিং ঐখোয়না মখা তানা য়েংশিনখিগনি। ঐখোয়গী লৈবাক্কী কেন্নেলশিং হেন্না নীংথিনা মোনিটর তৌবা, রেগুলেসন হেনগৎহনবা অমদি ইনভেষ্টমেন্টদা হেন্না মীৎয়েং চঙননবা ঐখোয়না মখা তানা হোৎনখিগনি।

ঐখোয়না হৌজিক লৈরিবা ফিভম অসিদা পোত্থাদুনা লৈবা য়াদে। নোং অমসুং উন তাবা খক্তগী মপান তাংবা হায়বসিসু ঐখোয়গী অচৌবা অশোয়বা ওইবা য়াই। অদুনা ঐখোয়না মখা তানা ঈশিংগী ইনফ্রাষ্ট্রকচরগী মতাংদা লেজিসলেটিব অমসুং ইনভেষ্টমেন্টগী থৌরাংশিং মখা তানা লৌখৎকদবনি হায়খি।

## মোস্কতা পোকখায়বদা প্রো-টালিবান ক্লারিক অমসুং মীচম কয়া শিরে

কাবুল, সেপ্টেম্বর ২ (এজেন্সী):
ইরাই নুমিত্তা অফঘানিষ্টানগী হেরাটতা লৈবা মোস্ক অমদা থোকখিবা পোকখায়বগী থৌদোক অমদা প্রো-টালিবান ক্লারিক অমগা লোয়নননা মীচম কয়ামরুম শিখ্রে।

হেরাটকী পুলিস স্পোক্স পার্সন মহমুদ রাসোলিনা ফোঙদোকখিবদা প্রো-টালিবান ক্লারিক মুজিব রহমন অন্সারি অমদি মহাক্কী গার্দ খরা অমসুং মীচম কয়া মোস্ক অদু তম্না লাকপদা শিখি। ওফিসল অসিনা শিখিবশিংগী চপ চাবা মশিং ফোঙদোকখিদ্রবসু মেদিয়া নেটৱার্ক অমনদি মশক মমিং তাকথোক্তবা সোর্সশিংনা পল্লদুনা ব্লাষ্ট অদুদা মীওই ১৪ শিখ্রে হায়খি।

ইরাই নুমিৎকী নুমিৎয়ুংবা মতমগী লাইশোল মনুংদা নোংচুপ থংবা হেরাট সিটিদা লৈবা বুজারগা মোস্ক অদুদা শাথিরবা পোকখায়বগী থৌদোক অদু থোকখিবনি। থৌদোক অদু মরু ওইনা মুস্লিমশিংগী লাই খুরুম্ফমশিংদা মী চিল্লিঙৈ মনুংদা থোকখিবনি।

অফঘান মেদিক অমনা পল্লদুনা এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, মদুদি মোস্ককী ব্লাষ্ট অদুদা য়ামদ্রবদা মীওই ১৮ শিখ্রে অমসুং অতৈ ২১ না অশোক অপন নঙখ্রে। হেরাট এম্বুলেন্স সেন্টরগী ওফিসল অমা ওইরিবা মোহমদ দাউট মোহমদিনা হায়খি, মদুদি এম্বুলেন্সশিংনা অশিবা হকচাং ১৮ অমসুং অশোকপা মীওই ২১ ইরাই নুমিত্তা সিটি অদুগী হোস্পিটালশিংদা হোনখি। অন্সারিনা খঙহৌদনা শিখিবা অদুদা টালিবানগী স্পোক্স পার্সন জগবিয়া মুহাজিদনা ত্বিট অমগী খুত্থাংদা অৱাবা ফোঙদোকপগা লোয়নননা এটেক্করশিং অদু চৈরাক পীগনি হায়খ্রে।

## ন্যু য়োর্কতা অনৌবা নোংমৈগী রেষ্ট্রিক্সনশিং চৎনহনখ্রে

ন্যু য়োর্ক, সেপ্টেম্বর ২ (এজেন্সী):
য়ুএস সুপ্রিম কোর্টনা ন্যু য়োর্ক ষ্টেটকী চহী ১০০ শুরবা কন্সিল কেরি লো হৌখিবা জুনদা চৎনহনখিদ্রবা মতুংদা ষ্টেট অসিগী ওথোরিটিশিংনা সেন্সিটিব ওইবা মফমশিংনি হায়না লাউথোকখ্রবা মফমশিংদা উহন্দনা নোংমৈ পুবদা অথিংবা থমখ্রে।

শগোলশেল নুমিত্তগী চৎনহনবা হৌখ্রবা অনৌবা লো অদুগী মতুংইন্না কন্সিল কেরি পার্মিট হোল্ডরশিং মখোয়গী খুৎলায়শিং অদু টাইমস স্কৱার, বারশিং, স্কুলশিং, লাইব্রেরিশিং, গভর্ণমেন্ট বিল্ডিংশিং অমসুং হোস্পিটালশিং য়াওনা মখল মখা কয়াগী সেন্সিটিব এরিয়াশিংদা পুশিনবদা অথিংবা থমখ্রে।

ন্যু য়োর্ক ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি, মদুদি লোনা রেষ্ট্রিক্সন অসিদগী কোমথোক্তবা মীওইশিংনা হায়রিবা সেন্সিটিব এরিয়াশিং অসিদা নোংমৈ লোৎতুনা পুরম্বা থোক্লবদি ফেল্লোনগী ক্রাইম চথরম্বগী মরাল শীগনি। খোঙথাং অসিগা লোয়নননা লোকেল এনফোর্সমেন্ট এজেন্সিশিংনা মরু ওইবা মফমশিংদা সাইনশিং থেৎতুনা এৱার্নেস কেম্পেইন হৌখ্রে।


### / CONDOLENCE



Words may not suffice to express the heartfelt sorrow that we feel for the passing away of **Waikhom Clinton Singh** S/o Waikhom Joychandra Singh of Bashikhong Kongba Irong, student of Canchi Academy in Class-VIII. We mourn and express our deepest condolence. May our prayers help comfort him and hasten the journey of his soul to Heaven.

Sd/- **Head Mistress, Teaching and Non-teaching Staff of Canchi Academy**
Kha-Naorem Leikai, Canchipur

HL-P/4013/3



### / DECLARATION

I am age about 31 years S/o Y. Rajen Singh. All family member have been resident of Poiroukhongjin Awang Leikai, P.O. Thoubal, P.S. Andro last 10 years. I do hereby declare that my real name as per Aadhar card and all academic testimonials is Yumnam Abungcha Singh. That, I am also known as Yumnam Kritimala Singh in my locality as pet name. Further, declare that my name in my bank account, Aadhar Card, PAN Card is recorded as Yumnam Abungcha Singh.

Hence, I do hereby declare that Y. Abungcha Singh, Kritimala and Abungcha belongs to one and same person.

Dt. 02/09/2022
Sd/- **Y. Abungcha Singh**
Poiroukhongjin Awang Leikai

HL-P/3762/3



## Manipur Apex Handloom Weavers & Handicrafts Artisans' C.S. Ltd.

Regd No. 23 of 1954-55

**Sponsored by the Government of Manipur**
Head Office : Paona Bazar, Imphal West (Manipur)
Fax & Tel. 0385-2450340
Email : manipurapex2018@gmail.com, manipurawas@yahoo.com

### / NOTICE

Imphal, the 2nd September 2022

NO. 16/AWAS/NOTICE/2010-11: It is hereby notified to all concerned that applications are invited from the Primary Weavers Cooperative Societies, Awardees/ Individual Weavers/ Handloom Clusters/ Handloom Entrepreneurs/ Producers Company(ies)/ NGOs who have already registered to ***Handloom Mark*** or ***India Handloom Brand*** or ***Undertaking for registration in either of the above for participation*** in the State Handloom Expo-2022-23 to be organized by the Manipur Apex Handloom Weavers and Handicrafts Artisans C.S. Ltd. (AWAS), Governor's Crossing, Paona Bazar from ***18/09/2022 to 01/10/2022*** at Urban Haat, Nilakuthi, Imphal East, Manipur. Eligible and interested ones are informed to submit the filled in application form(s) on or before ***14th September 2022*** to the office of the undersigned during office hour(s). Selection of the applicants will be made on the basis of the recommendation of the Selection committee as per guidelines.

Forms are available at the office of the Apex Handloom (AWAS) during office hours(s).

Sd/- **Ch. Mandakini Devi**
Managing Director,
AWAS
# 9612006199

HL-P/4014/3